# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 28-06-2025)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফম কয়াদা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ত্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-ককচিং জিলাগী ৱাংঙু তরুং মমাং চীং এরিয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা ইনসাচ রাইফল অমা, শেমদোক্লবা এ.কে. ফিফতি সিক্স রাইফল অমা, বোল্ট এক্সন সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, এল.এম.জি. (ইনসাচ) কী মেগজিন অমা, ফিফতি ৱান এম.এম. মোটার বোম অমা, কিলোগ্রাম অমরোম লুম্বা আই.ই.দি. অহুম, ইয়ার স্মোগ সেল অহুম, নোংমৈ মরুশিং অমদি কেমো ফ্লেক্স খোঙ্গ্রাউ য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং কয়ামরুম ফাগৎলে।

বিষ্ণুপুর জিলাগী ফৌগাকচাউ ইখাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা তোরবুং শম্বল মমাং লৈকাইদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা মেগজিন য়াওবা এস.এল.আর. নোংমৈ অমা, শেমদোক্লবা এ.কে. রাইফল অমা অমসুং সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অহুম ফাগৎলে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কমেং শম্বল এরিয়া, আই.ভি.আর. রোডতগী বরমানা শাবা পিষ্টোল অহুম, থারতি সিক্স ঐচ.ই. হেন্দ গ্রেনেদ অহুম ফাগৎলে।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্টকী চিঙারেল তেজপুরদগী কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমা রাজ্য পুলিসনা ফারে। মহাক মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি। ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপানদগীসু কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অনি পুলিসনা ফারে। মখোয়দগী স্কুটর অমা অমসুং শেল ওহনা লুপা লিশিং তরা ফংলে। মখোয় মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি।

থাংমৈবন্দ থিঙেল লৈকাইগী কম্ম্যুনিতি হোল মনাক্তগীসু ঙরাং কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অহুম মনিপুর পুলিসনা ফারে। মখোয়সু মীয়ামদগী শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি।

**কোবিদ (এল)ঃ** মনিপুরদা ঙরাং কোবিদ নাইন্তিননা নারম্বদগী মীওই ২৯ ফগৎলকখি। মসি থারগা হন্দক্তা নৌনা কোবিদ নাইন্তিনগী লায়চৎ শন্দোরকখ্রবা মতুংদা পোজিটিব ওইরম্বদগী ফগৎলকখিবা অপুনবা মশিং ৮২ শুরে। হৌজিক ফাওবদা লায়চৎ অসিনা মনিপুরদা মীওই অমত্তা শিখিবগী পাউ লৈতে।

হকশেল বিভাগকী চেরোল অমদা হায়-ঙরাংগী ওইনা মীওই ৬০ টেষ্ট তৌবগী মনুংদা মীওই ১৫ পোজিটিব ওইখি। হৌজিক রাজ্য অসিদা কোবিদকী এক্তিব কেস ১৩৫ লৈরি।

**ৱেদর (এল)ঃ** মনিপুরগী তমেংলোং জিলাদা ঙরাং নোং চুবগী চাং মিলিমিটর ৩৩.৪ য়ৌখি। সেনাপতিদা মিলিমিটর ১৫ গী চাংদা নোং চুখি। ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং তেংনৌপলদা মিলিমিটর ৬, উখ্রুলদা মিলিমিটর অহুম অমসুং ইম্ফাল ইষ্টতা মিলিমিটর অমগী চাংদা নোং চুখি।

অমরোমদা, নোনে জিলাদা ঙরাংগী ওইনা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ৩৩.৮৪ ওইখি। রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটনা থাদোরকপা নোংজ্ নুংশাগী পাউদা হায়-ইম্ফাল ইষ্টতা সেলসিয়স দিগ্রী ৩১.৮৮, ককচিং অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টতনা সেলসিয়স দিগ্রী ৩০ গী মথক্তা শাখি। সেনাপতিদা সেলসিয়স দিগ্রী ২৯ অমসুং তমেংলোংদা সেলসিয়স দিগ্রী ২৭ কী মথক্তা শাখি।

**খুবাক (এল)ঃ** রথ যাত্র কুম্মৈগা মরী লৈননা নুমিৎ ৯ নি চুপা চথুগদবা খুবাক ঈশৈ ফেষ্টিবেল ঙরাং ককচিং খুনয়াই লৈকাইদা লৈবা রাধা মন্দপ মন্দিরদা

হৌদোকখ্রে।

সাউর্দন মনিপুর আর্ট এন্দ কলচর প্রমোসন সেন্টর অমদি হরিনাম সংস্কৃত্তন জগ্যা মন্দলনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকপা ফেষ্টিবেল অসিদা নুপা পালা ২০ অমসুং নুপী পালা ২০ না শরুক য়ারি। ঙরাং অহৌবা নুমিৎতা নাৎ অমদি কালা সংস্কৃত্তিবু নুংশিজবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি হায়রি।

**লোকোমোটিবঃ** ভারতনা মোজামবিকতা হোর্স পৱার লিশিং ৩,৩০০ গী দিজল ইলেক্ট্রিক্ট লোকোমোটিব তরা পীরগনি।

বনারস লোকোমোটিব ৱাক্সনা শাবা লোকোমোটিবশিং অসি টেকে ালোজিগী লমদা খুমাং চাউশিনবতা নত্তনা দ্রাইভরদা অখন্নবা খুদোংচাবা কয়ামরুমসু য়াওরবা মখলগীনি। মসিগী মনুংদা এসথেটিক কেপ দিজাইন্দ, টোইলেট অমদি রিফ্রিজেরেটরনচিংবা য়াওরি। মসিনা দ্রাইভরদা হেন্না খুদোংচাহনবতা নত্তনা মালেম থাক্কী ওইবা অতৈ খুদোংচাবা কয়াসু ফংহল্লি।

অকাশবানি (ন্যুজ) কা ৱারী শান্নবদা রেলৱে বোর্ডকী ইগজকিটিব দাইরেক্তর-দিলিপ কুমারনা হায়-লোকোমোটিব তরা অসিগী মনুংদা অনিদি থা অসিগী মনুংদা পীরগনি। অদুগা অতৈ ৮ অদুনা চহি অসি লোয়শিল্লকপদা পীগনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ন্যু দিল্লিগী বিগ্যান ভবনদা জৈন কাংলুপকী ধর্ম্মগী লুচিংবা অমসুং সোসিএল রিফোমর-অচ্যারিয়া বিদ্যানন্দজি মহারাজগী চহি চাম্মা শুবা নীংশিং থৌরম হৌদোক্কনি।

লুচিংবা অসিবু ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা চহি অমা চুপা জাতিগী থাক্তা পাঙথোক্কদবা থৌরমসু প্রধান মন্ত্রিনা হৌদোক্কনি। কেন্দ্র সরকার অমসুং ভগবান মহাবির অহিংশা ভারতি ত্রষ্টনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা কালা সংস্কৃত্তি, সাহিত্য, শিক্ষা অমসুং ধর্ম্মগা মরী লৈনবা ৱাখল্লোন কয়া লৈবাক

অসিগী মীয়ামদা খঙহন্নবা পান্দম থল্লি। অচ্যারিয়া বিদ্যানন্দজি মহারাজগী শান্তি অমসুং অহিংশাগা মরী লৈনবা ফজরবা ৱাখল্লোনশিং চহি অমা চুপা পাঙথোক্কদবা পালন থৌরমদা মীয়ামদা খঙহন্নবা পান্দম থল্লি।

**সিন্ধুঃ** কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়রি-উংখৎনবগী ফিভম লৈরিবা ইরান অমসুং ইজরেলদগী ভারত মচাশিং অশোয় অঙাম য়াওদনা ওপরেসন সিন্ধুগী মখাদা ভারত্তা মায় পাকা পুরকপা ঙমখ্রে।

ওপরেসন সিন্ধু অসি থা অসিগী ১৮ দগী হৌখিবনি। হৌজিক ফাওবদা পুন্না ভারত মচা লিশিং ৪,৪১৫ পুরকখ্রে। মসিগী মনুংদা লিশিং ৩,৫৯৭ না ইরানদগী অদুগা ৮১৮ না ইজরেলদগীনি। ভারত মচাশিং হোন্দোরকপগী থবক অদুদা ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সকী সি-সভেনটিন ইয়ারক্রাফট অহুম য়াওনা পুন্না স্পিসিএল ইভাকুয়েসন ফ্লাইট ১৯ শিজিন্নখি। লৈবাকশিং অদুগী সরকারশিং অমদি মফম অদুদা লৈরিবা ভারতকী দুতাবাসশিংনা ভারত মচাশিং হোন্দোরকপগী থবক্তা চাউনা মতেং পাংলকখি।

**মনকি বাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২৩ শুবা ইপিসোদ হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। এল.আর.এস অকাশবানি চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি হয়েং নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক্ট লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ৱিঙ্গর দ্রাইভর ফুরকপদা তাংখুলশিংনা য়ানিংদবা ফোংদোকপগা লোয়ননা উখ্রুলদা কুকিশিং চংহন্দনবা ৱারেপ লৌগদৌরি, নাগা এম.এল.এ. অনিনা লেতপাউগা উন্নখিবা অমদি গোবিন্দাসকী য়ুমদা মীফম পাঙথোকখিবা অমসুং কোনুংগী কাং চিংবগী থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউনা ঙসিগী পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-প্রাইম মিনিস্তর লাক্লমদাইগী থবক কনখৎলক্কি, থবক কনখৎলকপদা গভরমেন্ট শেন্দ্বগীসু য়াওরি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ৱিঙ্গর দ্রাইভর, পেসেঞ্জর কুকিশিংনা ফুরকপদা তাংখুলশিংনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে। চেন্নবশিং পুং ২৪ গী মনুংদা ফাদুনা পুথোক্ত্রবদি কুকিশিং উখ্রুলদা চংবা য়াররোই হায়বা তাংখুল লুপশিংগী ৱাফমনা সনা লৈবাক পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস এদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, হুইয়েন লানপাউ, নহারোলগী থৌদাং, তমেংলোং টাইম অমদি গানফিয়ু মেলদসু অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

মীওই লিশিং কয়ানা শরুক য়াদুনা কাং কুন্থে পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউনা সনা লৈবাক্কী এঙ্কর কলমদা ফোংলি। কাং কুন্থে পাঙথোকখিবগী পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

পোকফমদা-নাগা এম.এল.এ. অনিনা লেতপাউগা উন্নখ্রে। নুমিদাংদা গোবিন্দাসকী য়ুমদা মীফম ফমখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদসু অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা-জন ২৯ দা বি.জে.পিগী এম.এল.এশিংগী মীফম অমা পাঙথোক্লবা য়ানা লৈরিহায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ

অসিগা লোয়ননা অথুবদা সরকার শেম্বা হায়বসি ওইথোক্লোই হায়না এম.এল.এ. কে. রঞ্জিৎনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা লামাইদা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-ইম্ফাল মনুংগী চিল্লবা লম্বীশিংগী ময়াইদা কোমজাউ তৌথোকপা প্রোজেক্ট অসিবু লোয়গদবা কয়াম ৱাৎলিবগে হায়বা অখন্নবা পাউদম অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হোমি মিনিষ্ট্রিনা শিন্দুনা জ়ন ৩০ দা মনিপুরগী সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগা দিল্লিদা উন্নগদৌরি হায়বা পাউনা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি গানফিয়ু মেল অমসুং হুইয়েন লানপাউদসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

এম.এল.এ. রাধেশ্যাম সেন্ত্রেল লিদরশিংনা কৌরকপদগী দিল্লি য়ৌখ্রে। পি.এম. নৎত্রগা হোম মিনিস্তর উন্নরবা মতুং সি.এম. ওইনা ৱাশক লৌরবা য়াই হায়না ভাইরেল ওইরক্লে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। গৃহ মন্ত্রালয় অমদি কুকি ‘সু’ গ্রুপশিংগা ‘সু’ এক্সটেন্সনগা মরী লৈননা জ়লাই মরিদা ৱারী শান্নগদৌরি হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।